HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur



এম য়ুগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেষ্ট্রিনা ইন্টাক মণিপুর চেপ্টর অমসুং অপুনবা ইমাগী মচাশিংগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড বেম্বু দে থৌরমদা শরুক য়াখিবশিংদা খুদোল পোৎ পীবা

থন্মোয় পাউদম : ইখূৎ’তগী নাম্থোকখিবা খুদোংচাবা ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ ওক্রে, খারে, মণিপুরগী কর্ফিয়ু পেঙ্গরে
কয়াম কুইনা চিংনখিসিগে ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ ভি দি এফশিং মখা তানা দিষ্ট্রিক্ট লান্না দ্যুটিগী ওর্দর...
খালিষ্টান লালহৌবা হাৎনবা হোৎনৈ হায়বগী... ☛ লামায় ৮
লামায় ১০ ☛ পাওনা মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট : এন্দেভর...

প্রধান মন্ত্রি টি বি মুক্ত ভারত অভিয়ানগী মখাদা নিক্ষে মিত্রনা ন্যুত্রিসনেল ফুদ বাস্কেট য়েম্থোকপগী থৌরমদা থৌবালগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর অহন্থেম সুভাসনা শরুক য়াখিবা



Vol. 48, Issue No. 167 | ইরাই, লাংবনগী ১৮নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, September 20, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

### মণিপুর লৈঙাক্তা সুপ্রিম কোর্টকী লেন্দমার্ক জজমেন্ট

# চহী ১৩গী মমাঙদা এপোইন্টমেন্ট পীখ্রবা প্রাইমারি টিচর ১৪২৩ খনবগী রিজল্ট অমুক হন্না লাউথোক্কদবনি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :**

ঙসিদগীনা চহী ১৮গী মমাঙ কুমজা ২০০৬তা মণিপুর লৈঙাক্কী স্কুল এদ্যুকেসন লোয়শঙনা এদভর্টিজমেন্ট থোক্তুনা কৌখিবা প্রাইমারি টিচর ১৪২৩গী রিট্টন টেষ্ট, ভাইভানচিংবা চহী অহুম চূপ্পা পাঙথোক্লবা মতুংদা মসিগী রিজল্ট লাউথোক্ত্রে হায়দুনা ‘হুইয়েন লানপাউ’ না কুমজা ২০১০গী জুন ২৬ অমদি ২৭তা মীয়ামদা রিপোর্ট তৌখিবদগী মতম অদুগী গৌহাটি হায় কোর্ট ইম্ফাল বেঞ্চতা ফাওবা কেন্দিদেটশিংনা ৱাকৎলবা মতুং সেপ্টেম্বর ৪, ২০১১দা রিজল্ট লাউথোক্তুনা পোষ্টশিং অসিগী এপোইন্টমেন্ট পীখ্রবা মতুংদা থোরকপা ৱাথোকশিংগা মরী লৈননা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাওবা ৱাকৎনরকখিবগা লোয়ননা সুপ্রিম কোর্ট য়ৌরকপদগী ঙসি এপেক্স কোর্ট অসিগী জষ্টিস রিশিকেস রোয়, জষ্টিস সুধানসু ধুলিয়া অমসুং জষ্টিস এস ভি এন ভাট্টিনা পীখিবা লেন্দমার্ক জজমেন্ট অমদা প্রাইমারি টিচর ১৪২৩ লৌরে হায়দুনা লাউথোকখিবা রিজল্ট



অদু অমুক হন্না রিক্রুটমেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা কেন্দিদেটশিংগী মার্ক বেসিসতা য়ূম্ফম ওইদুনা লাউথোক্লবা খঙহনখ্রে।

প্রাইমারি টিচর ১৪২৩ লৌনবগীদমক পাঙথোকখিবা রিক্রুটমেন্ট অদুগী নোটিফিকেসন থোক্তুনা এপ্লিকান্টশিং কৌবা মতমদা ‘ও বি সী’ গী কেটেগোরিদা পোষ্ট অসুক লৌগনি হায়বগী ৱাফম পল্লকখিদে হায়রি।

ৱাফম অসি খক্তা নত্তনা রিক্রুটমেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা কেন্দিদেট খরনা আর টি আইগী মতুংইন্না রিক্রুটমেন্ট অসিগী রিট্টন টেষ্ট শিনখিবা বোসেমগী সেক্রেটরিদা ফাওবা ৱাহং কয়া হংবা য়াওনা ৱাথোক কয়া মথং-মথং থোরকখিবনি। অদুগা ও বি সীগী পোষ্ট অসুক লৌগনি হায়বগী ৱাফম এপ্লিকান্টশিং কৌবদা পল্লকখিদ্রবসু লোয়শঙ অসিগী মায়কৈদগী ও বি সীগী কেটেগোরিদা কেন্দিদেট ২৪২ খল্লে হায়দুনা লাউথোরকখিবনি হায়রি।

চয়েৎনবশিং অসি লাকপদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অমগী ৱায়েলদা কোর্টনা এপ্লিকান্ট কৌবদা ‘ও বি সী’ গী ৱাফম পনখিদবনা কেটেগোরি অসি য়াওহন্দনা রিক্রুটমেন্ট রিজল্ট অমুক হন্না থোক্কদবনি হায়বগী দিরেক্সন পীরকখিবা লৈখ্রে হায়রি।

অদুবু ৱাথোক অসিগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্ট য়ৌনরকপদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী এফিদেভিট অমা ফাইল তৌরকপদগী এপেক্স কোর্টতা ৱায়েল ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

### কন্সটিট্যুসনগী টেন্থ সেদ্যুলগী মখাদা লিংবা স্পিকরগী ত্রাইব্যুনেলদা

# জে দি-য়ুদগী বি জে পি ওনখিবা এম এল এ ৫গী দিসক্কালিফিকেসন প্রোসিদিং ঙসি চখ্থরগনি



কে ঐচ জয়কিষণ | ঙুরসাংলুর সনাতে | এম দি অসবউদ্দিন | টি ঐচ অরুনকুমার | এল এম খৌতে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :** কুমজা ২০২২দা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা জে দি-য়ুগী মীরেপশিং ওইনা মায় পাক্লকখিবা অপূনবা এম এল এ ৬কী মনুংদগী ৫না বি জে পিদা ওনশিনখিবগী মায়োক্তা জে দি-য়ু মণিপুর ষ্টেটকী সেক্রেটরি জেনরেল মাইস্নাম দোরেন্দ্রো (৬৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম তোম্বী, ৱাংখৈ য়োংলান অয়াংপল্লিদা লৈবনা পিটিস্নর ওইবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা পিটিস্নর অনীনা এম এল এ ৫ অসিবু কন্সটিট্যুসনগী টেন্থ সেদ্যুলগী আর্টিকল ১৯১ (২) অমসুং পেরা ২ (১) (এ) গা লোয়ননা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি (দিসক্কালিফিকেসন ওন দি গ্রাউন্দ ওফ দিফেক্সন) রুলস, ১৯৮৬কী রুল ৬কী মতুংইন্না দিসক্কালিফাই তৌবীয়ু হায়দুনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসনশিং ঙসি কন্সটিট্যুসনগী টেন্থ সেদ্যুলগী মখাদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা লিংলিবা স্পিকরগী ত্রাইব্যুনেলনা ৱায়েল চখ্থরগনি।

কন্সটিট্যুসনগী টেন্থ সেদ্যুলগী প্রোভিজনশিং অমসুং মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি (দিসক্কালিফিকেসন ওন দি গ্রাউন্দ ওফ দিফেক্সন) রুলস, ১৯৮৬কী রুল ৬কী মতুংইন্না দিসক্কালিফাই তৌবীয়ু হায়দুনা স্পিকরগী ত্রাইব্যুনেলদা পিটিসন ফাইল তৌরক্তুনা হায়জরকখিবা এম এল এশিং অদুনা ৯-থাংমৈবন্দগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## জে দি-য়ুগী ভাইস প্রসিদেন্ট নবকিশোরগী য়ূমদা নোংমৈ কাপশিল্লম্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং পুং ৮.৪৫ রোম তারকপদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নিংথৌখোং ৱার্দ নম্বর ৭তা লৈবা জে দি-য়ু মণিপুর ষ্টেটকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইবদা নত্তনা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা বিষ্ণুপুরদা পার্টি অসিগী মীরেপ ওইখিবা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি ওইরম্বা ওইনাম নবকিশোর (রিটাইয়র্দ আই এ এস) গী য়ূমদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ মরূ ৫ রোম কাপশিল্লম্লে হায়রি।

থৌদোক অসিগী পাউনা হায়বদা কার অমদা লাকখিবা মীওইশিংগী মনুংদগী মীওই অমা গাড়ী খাল্লগা কুমথরক্লবা মতুংদা নোংমৈ মরূশিং অদু কাপশিল্লমখিবনি হায়রি। অদুম ওইনমক মীওই অমত্তা অশোক অপন য়াওহৌদ্রে। অদুবু থৌদোক থোকফমদা পুলিস চঙশিল্লক্তুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

## চীফ মিনিষ্টরগী ৱাঙাঙগী মায়োক্তা ৱাংজিংদা মীয়ামগী মীফম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :**

ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেন্দা থা অসিগী ১৭তা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টর



এন বিরেননা থৌবাল, ৱাংজিং অমদি হৈরোককী মীয়াম্না মণিপুরদা ঈরাং হৌহনবনি হায়খিবগী মায়োক্তা ঙসি নুংথিল ৱাংজিং লাইকোল কম্যুনিটি হোলদা মীয়ামগী মীফম পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনরবা মতুংদা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে।

ৱাংজিং কাইরেম্বীখোক্কী ক্লব/ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং ৱাংজিং কাইরেম্বীখোক অপূনবা ইমা লূপ্পা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## কুকি তাবা মফমশিংদা বোর্দর ফেন্সিং খাবা লেপকনি হায়বসি য়াবা ঙম্লোই : য়ু সী এম

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং চঙলকফম ওইরিবা কুকি তাবা মফমশিংদা বোর্দর ফেন্সিং খাবগী থবক মতম খরা লেপকনি হায়রক্লিবসি য়ানীংদে হায়রদুনা মফমশিং অদু হান্না শম্বল খাদনা করম্বা মফমদা খাগদৌরিবনো হায়না য়ু সী এমনা হংলক্লি।




ঙসি লম্ফেলদা লৈবা য়ু সী এমগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা প্রসিদেন্ট ৱাই কে ধিরেননা হায়, থা অসিগী ১৭তা হোম মিনিষ্টরনা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর পরিংগী কিলোমিটর ১,৬৪৩ বোর্দর ফেন্সিং তৌনবা লুপা ক্রোর ৩১,০০০ সেঙ্কসন তৌরে অমদি শম্বল খারনি হায়রকখিবদু তরাম্না ওকই অদুবু কুকি তাবা মফমশিং শম্বল খাবগী থবক লেপকনি হায়রক্লিবসি য়াম্না লাইবক থীবনি। ৱাফম অসি য়াবা ঙম্লোই। লমদমসিদা হৌজিক থোক্লিবা কনফ্লিক্ট অসিগা মরী লৈননা হোম মিনিষ্টরনা মসিগী হৌরকফম অসি মরূ ওইনা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং অমসুং নার্কো বিজিনেস তৌবশিংনা ওইহল্লকপনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। হোম মিনিষ্টর মশানা অসুম্না ফোঙদোকখ্রগা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং অমসুং দ্রগ মাফিয়া অমদি নার্কো বিজিনেস ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## চূড়াচান্দপুরদা ওজা নুপী অমা দলান্দগী তাবনি হায়বা থৌদোক্তা লৈখিদ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :**

ঙরাং নুমিদাং পুং ১০.২৫ রোম তারকপদা চূড়াচান্দপুর পি এসনা কোল্লিবা বি ভেঙনোমদা লৈবা লোগোস স্কুলগী ওজা নুপী বোইনু এলিয়জ জয়সি (৩১), মপুরোইবা লৈখিদ্রবা হোপসন খোংসাই কৌবী চূড়াচান্দপুরগী বি আইজালোন খুলদগী নুপী অমা মহাক্না ওজা ওইরিবা স্কুল অসিগী বিল্ডিংদগী তাবনি হায়বা থৌদোক্তা লৈখিদ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক থৌদোক অসি তশেংনমক মহাক স্কুল বিল্ডিং মথক্তগী তারকপ্রা নৎত্রগা কনাগুম্বা খরনা থৌওইনা ইন্থরকপ্রা হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমখিদ্রি।

থৌদোক অসিগী পাউ তাবদগী ঙরাং নোংয়াই মতুং পুং ১ রোম তারকপদা মহাক্কী হকচাং পুলিসনা লৌখৎলবা মতুংদা মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন মথৌ তৌহন্দ্রে হায়দুনা কোরনা গভর্ণরদা অমুক্কসু ৱাকৎখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :** মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী চ্যেরপর্সন ওইরমখিবা জষ্টিস য়ু বি শাহনা মমাঙ থাগী ২৪দা মহাক্কী সর্ভিস মতম লোইরদুনা থবক্তগী পোথাখ্রবা মতুংদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অনৌবা চ্যেরপর্সন অমা হাপ্লক্তবগা লোয়ননা কম্মিসন অসিগী লৈরিবা মেম্বরদসু চ্যেরপর্সন ওইনা থবক তৌনবগী অয়াবা পীরক্তবনা কম্মিসন অসি মথৌ তৌহন্দনা থম্লে হায়না সেন্টর ফোর ওর্গনাইজেসন রিছার্স এন্দ এদ্যুকেসন (কোর) না গভর্ণরদা অমুক্কা হন্না অইবা চেরোল পীশিন্দুনা ৱাকৎখ্রে। চেরোল অদু কোরগী মায়কৈদগী এলদরস কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট ডা. লাইফুংবম দেবব্রত রোয়না খূৎয়েক পীদুনা ঙসি গভর্ণরগী সেক্রেটরিদা পীশিনখিবনি।

পনবা য়াবদি, চৎলিবা থা অসিগী ১১দসু গভর্ণর মশামক্তা কোরগী মায়কৈদগী মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন মথৌ তৌহনবীয়ু হায়বগী অইবা চেরোল পীশিনখিবা লৈখ্রবনি।

চেরোল অদুদা গভর্ণরগী মায়কৈদগী মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর (লো) বু সম্মন তৌবীদুনা করিগীদমক্তা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন মথৌ তৌহন্দ্রিবনো হায়বদুগী মতাংদা অশেংবা ৱাফমশিং ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## চিরবা তানফমসিদা পোলিটিকেলগী অখুবা মীৎয়েং থাদোকপীয়ু : লৈশাংথেম অপূনবা লূপ

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :** থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লৈশাংথেম কৈথেলদা হেদ ওফিস ওইরিবা লৈশাংথেম অপূনবা লূপ (লাল) কী প্রসিদেন্ট অমসুং সেক্রেটরি অনীনা খূৎয়েক পীদুনা ঙসি থোরকখিবা চেরোল অমদা মণিপুরগী ইকায়খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টরগী ইরেস্পোন্সিবিলিটি ওইবা ফেসবুকতা ভাইরেল চৎলিবা ষ্টেটমেন্ট অদু য়াম্না লৈবাক মচা তাদবগা লোয়ননা লুচিংবা অমগী ৱাঙাঙ নত্তে হায়না লূপ অসিনা অমসুং লমদম অসিগী মৈরা পায়বীশিংনা অকনবা মওংদা য়ানীংদে হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লৈবাক্কী চিরবা তানফমসিদা পোলিটিকেলগী অখুবা মীৎয়েং থাদোকপীদুনা লিদর অমগী চপ চাবা থৌগাই পাঙথোক্তুনা থোক্লিবা হ্যুমেনিটেরিয়ন ক্রাইসিস অসি লোইশিনবীনবা হোৎনবীয়ু হায়নসু চীফ মিনিষ্টরদা আপীল তৌরক্লি।

পনবা য়াবদি, নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ককৱাদা থোকখিবা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীয়ামগা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগগী মরক্তা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকখিবদা মফম অদুগী মীওই নত্তবা খরা য়াওরম্লে হায়না চীফ মিনিষ্টরনা থা অসিগী ১৭তা থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ৱা ঙাঙবদা মফম অহুম পল্লগা ঙাঙখিবা ভিদিও ভাইরেল ওইরকখিবনি।

## নম্বোল : মণিপুর মূখৎপা য়ারোই হায়দুনা মৈরাগী খোঙচৎ চৎখ্রে




**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়াওনা তম্পাক্কী মফম খরদা চৎখিবা মৈরাগী খোঙচৎশিংগী মখা তারকপদা ঙরাং নুমিদাং নম্বোল, ওইনাম অমদি অকোয়বগী মৈরা পায়বীশিংনা শিনমিন্নদুনা মণিপুর মূখৎপা য়ারোই হায়দুনা মৈরাগী খোঙচৎ চৎখ্রে।

খোঙচৎ অদু ওইনামদা লৈবা কমপ্রিহেন্সিব স্কুলগী গ্রাউন্দদগী হৌরক্লগা নম্বোল চীংমাংদা লৈবা নম্বোল হায়র সেকেন্দরি ফাওবা চৎখি। খোঙচৎলোইশিংনা মণিপুর মূখৎপা য়ারোই, সিক্যুরিটি এদভাইজর অমদি দি জি পি লৌথোকউ, কুকি-জৌ টেররিষ্টশিংনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## জেনিমসকী ডাক্তর অমদি নর্সতা খূৎ থারম্বগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্না চলাইবা মেদিকেল ইন্সটিট্যুট অমসু ওইরিবা জেনিমসতা পেসেন্ট পুখৎলকখিবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা ডাক্তর য়াওনা নর্সশিং ফূরম্বগী মায়োক্তা ঙসি ইন্সটিট্যুট অসিগী ডাক্তর অমদি নর্সশিংনা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে। থৌদোক অসি থা অসিগী ১৭কী নুমিদাংদা থোকখিবনি হায়রি।

ৱাকৎ খোঙজং অসি জেনিমসকী রেসিদেন্ট ডাক্তরস এসোসিএসন অমদি জেনিমস ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন অনীনা খূৎশম্নদুনা শিনখিবনি। ঙসি নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তারকপদগী চঙশিনখিবা ৱাকৎ খোঙজং অদু নুংথিলগী পুং ১ ফাওবা ও পি দি কাউন্টরগী মমাঙদা চখ্থখিবনি।

খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবী ডাক্তর অমনা হায়, থা অসিগী ১৭কী নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপদা অঙাং অমা লাইহৌ হৌরে, চাউ-থকউ হায়বা য়াদ্রে হায়বগা লোয়ননা ওবগী মথক্তা অমুক অমুক ৱাখল মাঙলে হায়দুনা পুখৎলকখিবনি। ৱাফম অদু তাবদগী ডাক্তর অমদি নর্সশিংনা অঙাং অদুদা ত্রিটমেন্ট চখ্থখি। অদুবু অঙাং অদুনা লেঙবদগী কাপ্লিবা দ্রিপ অদুদা ঈ হাইগৎলকখি। মদুদা পেসেন্ট পার্টিনা ডাক্তর অমদি নর্সনা ঈদাক লান্না কাপ্পদগী ঈ হাইগৎলকপনি হায়না চার্জ তৌরদুনা খূৎ থারকখিবনি হায়রি। মরম অসিনা মতুংদা অসিগুম্বা থৌদোক থোকহনবীগনু হায়খি।

## য়ুনিফাইদ কম্মান্দ পায়গেরা-পায়রোইরা মসিগী পাঙথোকপা মীটিংদা চীফ মিনিষ্টরনা হেদ ওইরিবনি : গিৎচন্দ্র মঙাং

নোমিতা খোংবান্তাবম

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :**

য়ুনিফাইদ কম্মান্দ পায়গেরা পায়রোইরা মণিপুর লৈঙাক লৈবদগী চীফ মিনিষ্টর লৈরিবনি। য়ুনিফাইদ কম্মান্দ পীখিবদুসু মণিপুর লৈঙাক্কনি। গভর্ণরগী মিংদা থোকপা ওর্দর অমনা পীখিবনি। য়ুনিয়ন লৈঙাক্না ওর্দর অদু থোকখিবা নত্তে। মসি ওইরগদি য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী থবক অসি মণিপুর লৈঙাক্না শিনবনি। মসিগী ওর্দরদা চীফ মিনিষ্টরনা য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী মথৌ তারকপা মতমদা মীটিং কৌবা ঙম্মী হায়বা ৱাফম য়াওরিবনি। অদুগুম্বা মীটিং অদুগী হেদসু চীফ মিনিষ্টরনা ওইরগা করিগীদমক থা ১৬ হেন্না লান লোইশিন্দবনো হংনীংই হায়না কোলিসন



এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)

গী সেক্রেটরি তখেল্লম্বম গিৎচন্দ্র মঙাংনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না পাউচে অসিদা হায়, ষ্টেট লৈঙাক অমগী চীফ মিনিষ্টরনা য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী চ্যেরমেন নত্তে হায়দুনা লৈথোকপা য়ারোই। মথৌ তারক্লবদি য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী মীটিং কৌবা ঙম্বী পৱার চীফ মিনিষ্টরদা পীরিবনি। ৱাফম অসি য়ুনিফাইদ কম্মান্দগা মরী লৈননা থোকখিবা ওর্দরদা ময়েক শেংনা পল্লিবনি। অদুবু ওর্দর অদু পংথোক থোকপ্রা হায়বদুদি খঙদ্রে। গভর্ণরগী মিংদা থোকপা ওর্দর ওইবনিনা মদুগী মতুংইন্না থবক পাঙথোকফম থোকই অদুগা য়াম্না শেংনা থবক তৌবসু চঙই। ঐখোয়গী মীৎয়েংদসু ইফুরুপ মচা ওইজবনিনা ফৈ হায়না খনবসু লৈ অদুবু চীফ মিনিষ্টর হায়বসিদি ফূরুপ খুদিংমক্কীনি। করিগুম্বা ঙম্লোই হায়বা লৈরগদি মীয়ামদসু খঙহনফম থোকই। অদুগা নমদুনা হাপচিল্লকপনি হায়দুনা কুলদিপনা অদুম ওইহনগদবনি হায়রক্লবদি মতাংসিদা খন্ননীংঙাই ওইরি হায়খি।

মণিপুরদা দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস চৎনহল্লক্লিবসি সেন্টরনা তৌরকপনি হায়দুনা মণিপুর লৈঙাক্না ঙমদে হায়বদগী থা ৬/৬কী ওইনা শাংদোক-শাংদোক্তুনা লৈরকখিবনি। ৱাফম অসি হায় হায়দুনা চীফ মিনিষ্টরবু ফম থাদোকউ হায়বা নত্তে, মহাকপু য়েক্ল বা ওইনা উবসু চুমদে খল্লি। মীয়ামগী অমদি ঐখোয়গীসু শরুক য়াওরিবনি। চীফ মিনিষ্টরদা মীয়ামগী অপাম্বা ফোঙদোকপনি। হৌজিক ওইরিবা লানগী ফীভমসিদা কনাদা তাইনগদোইনো ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ৪দা ঙসি অয়ূক পুং ৫দগী নুমিদাং পুং ৮ ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা কোমথোক্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :**

ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুরগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংগী মায়কৈদগী থোরকখিবা ওর্দরশিংগী মতুংইন্না হয়েং (সেপ্টেম্বর ২০, ২০২৪) দা অয়ূক পুং ৫দগী নুমিদাং পুং ৮ ফাওবা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং কোমথোক্কনি হায়রি। পনবা য়াবদি, সেপ্টেম্বর ১দগী কুকি টেররিষ্টশিংনা দ্রোন বোমিং চখ্থরকখিবা অমসুং মিসাইল এটেক তৌরকপদগী মীচমশিং শিবা-নাবা য়াওখিবগী মায়োক্তা মহৈরোয়শিংনা ঈহৌ হৌরকপদগী থা অসিগী ১০দগী মতম কক্তবা কর্ফিয়ু থমজিল্লুরবনি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## সেপ্টেম্বর ২১দা বন্দগী অথিংবা থম্লে : এন আর এফ এম

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ :** নেসনল রেভল্যুস্নরি ফ্রন্ট মণিপুরগী সেন্ট্রেল হেদ ক্বার্টরগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি সনাজাওবা মৈতৈনা থোরকপা চেরোল অমদা থা অসিগী ২১দা মণিপুরদা বন্দগী অথিংবা থম্লে হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, য়েক্লবনা মীকপ থোক্লো নখোয় হৌদোকপীররে হায়বদা লানগদ্রা ইরৈচাশিং হায়বগা লোয়ননা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা করম্না য়াওখি মালেম শিন্না হৌজিকমক তাক্লো লাউ ইন্দিয়ানা হায়রি হায়না লাউবদসু লানগদ্রা ইরৈচাশিং হায়বা ৱাহংশিং হংলদুনা খুদোংচাবা তাঞ্জা অনীরক হল্লক্তে, হৌজিক মদুমক ঐখোয়গী ইথক্তা লৈরে। মর্জর এগ্রীমেন্ট হিংদুনা লৈবা ইন্দিয়ানা পামদে। হাত্তোক্লবা থৌরাংলক্লি। য়েক্লবগী লাল্লোংগী ওন্ন-তৈনবা মায়কৈদা ঐখোয়গী খোঙথাং থাংদুনা পাউখুম পীরসি। ঙসি ইন্দিয়ানা নৈহৎপীরবা মণিপুরগী মরাইবক অসিগী লংজিন চিংবা হৌখিবা মর্জর এগ্রীমেন্টবু চৎনবা য়ারোই হায়বা খোঙফম অসি ঐখোয়গীনি। অদুগীদমক লৌগদবা থৌদাংসু কনাগীসু নত্তে হায়বসি ইরৈচা পূম্নমক্না খঙনা থেংনগদবনি। মসিগী মায়োক্তা ঐখোয় খোঙফম হন্দনা লেপকদ্দবনি। নম্ফুগী নুমিৎ অসিবু চৎনবা য়ারোই হায়না থা অসিগী ২০ অমসুং ২১গী লোন্নবা অহিং নোংয়াইদগী হৌরগা ২১গী য়াচংবা পুং ৬ ফাওবা মণিপুর বন্দগী অথিংবা থম্লে হায়রি। ...মখা লমায় ৬ কলম ৪

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫